# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ভারত অমদি ম্যান্মারগী কিলোমিতর লিশিং ১,৬৪৩ শাংবা ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবগী থবক পায়খৎনবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে।

২) ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো ভিলেজবু লৈবাক অসিগী ওইনা হেরিতেজ কেটাগোরিদা বেষ্ট তুরিজম ভিলেজ ওইনা খল্লক্লে।

অমসুং

৩) হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগা মরী লৈননা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগেনা ঙরাং দলগী মেনিফেষ্টো ফোংখ্রে।

------

ফেন্সিং (এল)ঃ ভারত অমদি ম্যান্মারগী কিলোমিতর লিশিং ১,৬৪৩ শাংবা ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবগী থবক পায়খৎনবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে। থৌরাং অসি লুপা কোতি লিশিং ৩১ চংনা পায়খৎকদবনি। ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিং অসি মণিপুর, মিজোরম, নাগালেন্দ অমসুং অরুনাচল প্রদেশকা লোন্নরিবা মফমনি। হৌজিক ফাওবদা ঙমখৈ পরিং অসিদা মণিপুরগী মোরেদা কিলোমিত ১০ দা শম্বল খাবগী থবক লোইখ্রে। মখা তানা কিলোমিতর ২১ শাংবা ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খাবগী থবক চথুরি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থৌবাল মোইজিং, লৈঙোইজিংগী অকোইবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথখি। বিষ্ণুপুর, তেংনৌপল, নোনে, ইম্ফাল ৱেষ্ট, চুরাচান্দপুর ককচিং, চান্দেল, কাংপোকপী, তমেংলোং, সেনাপতি অমদি জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা থি হুন্নবগী থবক চথখি। অদুবু থিবা হুন্নবদা থোইদোকপা মীফা মীপুন অমদি খুৎশু খুৎলায় ফাবগী পাউদি লৈতে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা থিবা হুন্নবগী থবক চথখিবা অদুদা মীওই লিশিং ১,৫৮০ অমদি চুরাচান্দপুরদা মীওই ১৩০ রোম মশাগী শক্তাকচে পুথোকহন্দুনা মশক খঙদোকখি হায়রি।

অমরোমদা, জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোংবুং ভিলেজগী মাইকৈদা ঙরাং নুংমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তাবা মতমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপশিল্লকখি । লোয়নননা নুমিদাং পুং ৭ মিনিত ১০ রোম তাবা মতমদসু শৈজাং খুললোমদগী মোংবুং তমনা নোমৈ কাপশিল্লকখি। মদুদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি সি.আর.পি.এফকী মাইকৈদগীসু হন্দুনা নাকল অনিগী মরক্তা নুমিদাং পুং ৯ মখায় ফাওবা খুৎ থোকখি। অদুমওইনমক, থৌদোক অদুদা মীশি মীনা, অশোক অপন য়াওবগী পাউদি লৈতে হায়রি।

এরেষ্ট (এল)ঃ  রাজ্য অসিদা ইরাং শাগৎপদা পুকিং থৌগৎপনি হায়বা মীওই অমা পুলিসনা ফারে।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মহাক্কী সোসিয়েল মিদিয়া পোষ্ট অমদা হায়- সংবিধান্না পীরিবা রাইট টু ফ্রিদম ওফ স্পিচ অসি লৈঙাকা ইকায় খুমনৈ। অদুবু হায়রিবা রাইট অসিবু দিজিতেল প্লেটফোর্মদা লান্না শিজিন্নদুনা লমদম অসিদা চরাংনবা থোকহন্নবা হোৎনরকপশিং য়েংদুনা লৈরোই। মহাকা হায়- মীয়ামা সোসিয়েল মিদিয়াবু অফবা অচুম্বা লম্বীদা দাইত্ব লৈনা শিজিন্নবীয়ু অমদি লমদম অসিদা শান্তি পুরকবা অমদি অপুনবগী শক্তম অমা শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরি।

এআর (এল)ঃ  অসাম রাইফলসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুন্বোংদগী লিন্না চিকপা নুপামচা অমা লায়েংদুনা ফহনখ্রে। অঙাং অদুগী ফিভম ফগৎলবা মতুংদা কৈথেল মানবী গেরিসনদা লৈবা অসাম রাইফলসকী য়ুনিত হোস্পিতালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা হৌজিক রাজ্য অসিগী ওইরিবা ইরাং অসিগী মরক্তা রাজ্য অসিগী নহা কয়াবু স্কিল দিভপলমেন্ট প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্তুনা নহাশিংবু থবক ফংহনখ্রে। রাজ্য অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহা ৫৮ লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা হোটেলশিংদা থবক ফংখ্রে।

বিষ্ণুপুর অমসুং তেংনৌপল জিলাদা ৱার্ল্ড বেম্বু ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরমশিং অদুদা ৱানা শাবা পোৎলম কয়া পুথোক্তুনা মীয়ামদা উৎখি।

মরক অসিদা, আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী মখাদা অসাম রাইফলসনা শিন দুনা চান্দেল জিলাগী লমফৌ পাসানা খুলদা লৈবা দোনবোস্কো স্কুল হোক্কি শান্নবদা চংবা মচাক মথুমশিং য়েন্থোকখ্রে।

অন্দ্রো (এল)ঃ  ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা অন্দ্রো ভিলেজবু লৈবাক অসিগী ওইনা হেরিতেজ কেটাগোরিদা বেষ্ট তুরিজম ভিলেজ ওইনা খল্লকখ্রে। তুরিজম মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা বেষ্ট তুরিজম ভিলেজ কম্পিতিসনগী হেরিতেজ কেটাগোরিদা অন্দ্রোবু বেষ্ট তুরিজম ভিলেজ ওইনা খল্লকখিবনি।

কেন্দ্র সরকারগী তুরিজমগী জোইন্ট দিরেক্তর জেনেরেল অরুন শ্রীভাস্তবানা মণিপুর সরকারগী তুরিজম কম্মিসনার দিবেস দেবালদা আইবা চেরোল থাদুনা ৱাফম অসি খঙহল্লকখি। বেষ্ট তুরিজম ভিলেজগী মনা অসি থা অসিগী ২৭ তা নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড তুরিজম ডেদা লান্থোক্কনি। বেষ্ট তুরিজম ভিলেজ কম্পিতিসন অসি নাৎ চৎনবী, মহৌশাগী পোখোকশিং, পুন্সি মহিং অমদি কম্ম্যুনিতি বেজ ভেল্যু য়োকখৎতুনা থন্বদা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

আইদিপি (এল)ঃ  রাজ্য সরকারগী হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট বিভাগনা ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই.দি.পি)শিংনা শাবা পোখোকশিং ভেল্যুএদ তৌদুনা পান্থোইবী হায়না মমিং থোনদুনা মীয়ামদা ফংহল্লগনি। মুখ্য মন্ত্রিগী সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা হায়- আই.দি.পিশিংনা পুথোক্লিবা অখন্নবা বেগ অসিদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ধুপ, সাপোন, দিস ব্রাস, দিটরজেন্ট, কেন্দল অমদি ব্রাসরুম শেংবদা শিজিন্নবা পোৎলম কয়া অমসু য়াওরি। সরকারনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা লোকেল আর্তিসানশিং পুকিং থৌগৎপতা নত্তনা আই.দি.পিশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

কংগ্রেস ঃ  হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগা মরী লৈননা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগেনা ঙরাং দলগী মেনিফেষ্টো ফোংখ্রে।

নিউ দিল্লিদা লৈবা দলগী হেদক্বাটরসতা মেনিফেষ্টো অদু ফোংলদুনা শ্রী খরগেনা হায়- রাজ্য অদুদা কংগ্রেস সরকার লাক্লবা মতুংদা দল অসিনা হিরম ৭ তা থবক ওইনা পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়- লৌমীশিংদা মিনিমম সপ্লোর্ট প্রাইস ফংহনবা, ইমুং খুদিংদা ইলেক্ট্রিসিতি য়ুনিত ৩০০ ফংহনবা, নৌনা থবক লাখ ২ লৌবা অমদি হান্নদগী চৎনরম্বা পেন্সন স্কিম অমুক হিংগৎহনবা য়াওরি।

শ্রী খরগেনা হায়- নুপাশিংদা থা খুদিংগী লুপা লিশিং অনি অনি পীগনি। করিগুম্বা কংগ্রেসনা সরকার পায়রবদি হরিয়ানাদা এল.পি.জি গ্যাস সিলিন্দর ১ দা লুপা ৫০০-৫০০ দা ফংহনগনি অমসুং দিবিয়াংশিং, সেনিয়র সিতিজন অমদি লুখ্রাবীশিংদা থাগী পেন্সন ওইনা লুপা লিশিং ৬-৬ পীগনি। মহাকা হায়- হরিয়ানাবু দল অসিনা ড্রগ ফ্রি ওইবা রাজ্য অমা ওইহনগনি। মসিগী মথক্তা মহৈ মরোংগী ক্ষেতিপুরন খুদক্তা ফংহনবা অমসুং লেমা লায়েংনবগীদমক লুপা লাখ ২৫ গী শেনফম লাউথোকখি।

সিবিএসই ঃ  সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্কেসন (সি.বি.এস.ই)গী ওইনা ইং ২০২৫ গী বোর্দকী পরিক্ষা থাগদবা ক্লাস নাইন অমসুং এলেভেনগী

মহৈরোইশিংগী রেজিষ্ট্রেসন ঙরাংদগী হৌখ্রে।

বোর্দ অসিনা থাদোরকপা নোতিফিকেসন অমগী মতুংইন্না রেজিষ্ট্রেসন পীশিনবগী অরোইবা মতম মথং থাগী ১৬ নি। সি.বি.এস.ইদা এফিলিয়েট তৌবা স্কুলশিংনা সি.বি.এস.ই দোট গোভ দোট ইন-দা মহৈরোইশিংবু রেজিষ্টর তৌবা য়ারগনি। নোতিফিকেসন অদুদা মখা তানা হায়- চে চাং শুনা পীখৎলকপা মহৈরোই খক্তমক ২০২৫ গী ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্বকী পরিক্ষা থাবা য়াগনি। লোয়ননা স্কুলশিংনা মহৈরোইশিংগী মরী লৈনবা অকুপ্পা মরোলশিং পীশিন্দ্রিঙৈদা পোর্তেল অসিদা হান্না রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়রি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লৈবাক অসিদা মতম অমত্তদা মীখল পাঙথোকপগী রিকমেন্দেসন য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখিবগী পাউ, লুপা কোতি লিশিং ৩১ চংনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিং শন্থল খাবগী পাউ অমদি রিমস হোস্পিতালদা লায়কন্নরকখিবা শঞ্জিতা লৈখিদবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখিবগী পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী, সনালৈবাক, মণিপুর নিউজ, পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম, গানফিউ মেল, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমদি মণিপুর মেলদা অহানবা অমদি অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি সনালৈবাক্তা- ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সনগী পেনেল রিপোর্ট কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে হায়না হেদলাইনগা লোয়ননা ৱান নেসন ৱান ইলেক্সগী থৌশিল অসি চহি মঙাগী মনুংদা চৎনবা হৌগনি হায়বা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফমদনা- য়ুনিয়ন কেবিনেটনা মীখল মতম অমত্তদা পাঙথোকপগী রিকমেন্দেসন অয়াবা পীখ্রে। তাঙ্কক অনি থোকা মীখল পাঙথোকপা, গভর্নমেন্ট কায়রবদি টার্ম অদুগী লেমহৌরিবা চহি অদুখক্তমক মীখল তৌদুনা পুহনবা য়াওরি

হায়না অনিসুনা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লুপা কোতি লিশিং ৩১ চংনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিং শন্বল খাবগী পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর নিউজ, সনালৈবাক, পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, নহারোলগী থৌদাং অমদি হুইয়েন লানপাউদা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরি। পাউ অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী বোর্দ ফেন্সিং কুকিশিং তাবা ঙমখৈ পরিংগী শন্বল খাবা লেপখিগদৌরিব্রা হায়না হুইয়েন লানপাউদা অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

সনালৈবাক্তা পাউ অসি মৈতৈদা লান্দারক্লিবা কুকিশিংনা তাবা মফমদা ফেন্সিং খাহনখিদ্রে, লান য়াওদবা নাগাশিংনা খুন্দাবা মফমদা শন্বল খানবা খঙহনখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দকী কিলোমিতর লিশিং ১,৬৪৩ শাংবা শরুকশিং ফেন্সিং খাবদা অয়াবা পীখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

রিমস হোস্পিতালদা লায়কন্নরকখিবা শঞ্জিতা লৈখিদবগী পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

মণিপুর নিউজদা- লায়কন্নরকখিবী শঞ্জিতা লৈখিদ্রে, লৈঙাকা অথৌবী মীংথোল পীখ্রে হায়না হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা চিন-কুকি নার্কো তেরোরিষ্টশিংগা লান্থেংনরিবা অসি ফুরুপ পুন্বগী য়াইফনবনি হায়বা য়ু.সি.এমগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। য়ু.সি.এমগী পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদা মণিপুরগী পুৱারী লান্না ইশিন্নবা হোৎনরিবা সেক্যুরিতি ফোর্স ওফিসারশিংগী মথক্তা আইনগী থবক লৌখৎলগনি হায়না হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা মীতৈ অমসুং কুকি ফ্রুপ অনিগী মরক্তা ৱারী শাবগী মমি তাদে হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। কংগ্রেসকী পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা এম.পি.সি.সিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মণিপুরদা লাকবা বার্তন তৌরম্লে হায়না হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- ইন্দিয়াগী অহানবা মংকি পোক্সকী কেস অমা কেরলাদা কনফার্ম তৌরে হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

নিট ক্কালিফাইদ ওইরবা কেন্দিদেটশিংদা এস.টিগী রিজার্ভেসন পীবগী মতাংদা ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মণিপুরনা সি.এমদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

অমুল ফালকোন ঙাক শেন্নবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট তমেংলোংনা শা তানবদা অথিংবা থমখিবগী পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

------